হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জান্যুৱারী ১৩, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৭৭ শুবা মশীং

# য়ু এন সীগা ৱারী শানবা

## সী এস ওশিংগী হোৎনমল অরেম্বা তাহনগুমসি

*অনৌবা* দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী ৱাহৌদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না মণিপুরগী লমখৈ মনুংদা লৈবা নেসনল হায়ৱেশিংদা চথরিবা মতম কত্তুবা ইকনমিক ব্লোকেদ থা ৩ চঙশিল্লক্লে। য়ু এন সীনা মমাঙথক্তা নুমিৎ ৯০ নি হেনবগী ইকনমিক ব্লোকেদ অমা চথখি। হায়রিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অদু ঙসি ফাওবা খ্বাইদগী শাংবা ব্লোকেদশিংগী মনুংদা অমনি হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরি। শাংলে হায়রিবা ব্লোকেদকী নুমিৎ মশিং অদুদগী হন্দক্কী অসিনা অমুক্কা হেন্না শাংলবা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবসু নত্তে। মরমদি হৌজিক হৌজিক ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনখিবা মরম্না য়ু এন সীনা পাল্লিবা দিমান্দশিং অদু পীগনি হায়বগী থাজবা পীবা ঙম্বা মতীক ময়াই অমত্তা লৈত্রে। মণিপুর লৈঙাকসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকীসু মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতীক ময়াই কয়ামরুম ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টনা পুনখ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ৱারোইশিন পুরক্লনবা কনাগুম্বনা মঙ মঙবা থোক্লবদি মঙলিবা মঙ অদু মকূ মঙ ওইগনি হায়না লৌবা য়াই। তৌবতদি মতম শাংজিল্লক্লবা ইস্যু ওইবনিনা ব্লোকেদ তৌরম্বা কাঙবুসু, ইনশিল্লম্বা কাঙবুসু চোকথরম্লগনি। মরম অদুনা নেসনল হায়ৱে-৩৭, ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা তঙাইফদবা পোৎলম পুশিল্লকপদা হৌজিক্তি কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎপা-অপনবা পীরক্তবনি হায়না লৌরবসু কায়দে। সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হায়বসি মীয়াম্নবু য়াদ্রবদি মীওই লিশিং ৫ লম্বীদা থোরক্লগা হিপ্পুনা লৈখিবদা মখোয়বু নোংমৈনা কাপ্পুনা তান্থোকপা হায়বসি অরুবা ৱাফম ওইরমগদবনি। মসিমক থোক্ত্রিবসিনা উৎলিবদি মীওইবগী মায়োক্তা চথবা ইকনমিক ব্লোকেদ হায়বসি চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মীয়াম্না য়াদে হায়বনি। ইচম চম্না কনাগুম্বা খরনা তকমনবদগী নোংমা ফাদোক ঈহৌ মান্নবা য়াওরুবনি হায়না লৌরবসু থোয়না কায়দে।

মতম শাংলক্লবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা তঙাইফদবা পোৎলম-চৈরমশিং ফংনরক্তবদগী খোয়শাওনরবা মীওই খরনা কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চথখিবগী পাউসু তপ্না-তপ্না হন্থখ্রে। লম্বীদা পোৎ-চৈ পুরগা তম্পাক লমদা লাকপা মীয়ামসু অকায়-অতোই থোরকপা য়াই হায়না কিবদগী পোৎ-চৈ পুশিন্নরকখিদ্রে। কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা শাউনরক্তুনা লৈরম্বা উংখৎনবশিং অদুসু হৌজিক্তি তপ্না তপ্না নেমথদুনা মহৌশাগী মচিন-মনাও নুংশিনবগী মরীদা হঞ্জিল্লকপা ঙম্লে। মসিনা মচিন-মনাওশিংগী মরক্তা অমুক উংখৎনবা থোরক্কনি হায়বগী চিংনবা কোক্লক্লে। পুন্নমক অসি কমদৌনা ওইরকখিবনো হায়বা তারবদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরকপা থৌদাংদগীনি হায়বা য়াই। মণিপুরদা মমিংখক্তগী ওইনা চীংমী-তম্মীগী অপুনবা লূপনি হায়জরগসু চঙ-চঙ লাওনা থবক তৌবা ঙম্বা চীংমী অমসুং তম্মী অনীগী ওইবা অপুন-লূপ অমত্তা লৈখিদ্রি। অদুবু হন্দক্কী ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা চীংবুরোই-তম্বুরোইশিং পুল্লগা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা হঞ্জিল্লক্লবগী পান্দমদা অপুন-লূপ শেম্বা থেংনরে। মসিমক মীয়ামগী লাইবক ফবনি। মখোয়না হোৎনবদগী কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবশিং অদু তপ্না তপ্না হন্থহনবা ঙম্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ৱাথোক অসি লোইশিন্নবগীদমক মখোঙ-মখুৎ পুন্নমক পুনশিল্লগা থমখ্রবা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না হোৎনবা হায়বসি অরায়বা ওইরোই। অদুবু এন এস সী এন (আই-এম) গা ৱারী শাননবা হাপখিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটিশিং কৌরক্তুনা ৱারী শাননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি অদুক হাক্লা লুম্না লৌনিংঙাই ওইদে। ব্লোকেদ অমসুং কাউন্টর ব্লোকেদকী মতাংদা ওইরগদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সনা মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডরশিং কৌরগা ৱারী শানফম থোকপনি। অদুমকপু সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা মণিপুর, ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং য়ু এন সীগী ওইবা ৱারী শানহন্নবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা থিদনা মীয়াম্না শৌগৎফম থোকই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মতম চারিব্রা থাবলসিবু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**য়াওশঙ** থাবল হায়নরিবনি, য়াওশঙদদা চোঙনরম্বনি, য়াওশঙ মতুং নোংমা নীনি চোন্থবসু য়াওই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু নোংয়াই মতুং পুং ১ হেনবা ফাওবা চোঙবা হায়বসিদি য়াম্না চুমদবনি। অদুবু য়াওশঙদদি খরবু ফরিনে, নোংমা পানবা চৈরাওবা, হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী চৈরাওবা শুম শমথরকই। মদুদগী হেন্দোক্তুনা নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতসু থাবল, চহী হৌবা নুমিৎতসু থাবল, হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা পাঙথোকখিবা ইমোইনু নুমিৎতা চোঙনখিবা থাবলদুনা করিনো? ইচা নিঙোলশিংদা মতম চাদনা ঈরাং তৌগনু হায়বদা শৌগৎলিবা অহল লমনশিংদুনি ঐনা ঙক্লিবা।

থায়নগী মীশিংগুম মীশিংসি য়াম্না ফনরিঙৈ মতমদুসু নত্তে। ইরমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং, বন্দ, ব্লোকেদকী চৈথেংনা হা কার লাউনরবা মতমসিদা কদোমদগী শিৎলকপা নুংশিৎনো? থায়না মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা ফজখ্রবা থাবল চোঙবা অসিবু অতোপ্পা শেরান্নবা মওং অমদা পুথোকখিদুনা মগুন হন্থহনবদি পামদে।

অরোইবদা হায়জনীংবদি, থাবল চোঙবা হায়বসি থায়নদগী হৌনা য়াওশঙ অমদি শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ অনী অসিদগী হেন্না চোঙনরমদে। অদুগা হৌজিক্তি করিগুম্বা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা অমদি ফেষ্টিবেল অমগীসু থাবল চোঙবগী চৎনবী লৈরক্লিবা অসিগী মহুত্তা তঙাইফদনা পারি পুরি হাক্তক্তগী হৌনা চৎনরক্লবা মতমদতা মতম চানা থাবল চোঙবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - ডা. আর কে নির্মলা*

*অহল্লুপ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১। ‘নুংশি ৱাখৈবা’ উপন্যাসকী অইবদু কনানো?

২। ‘থোঙ লোনখ্রবা পান দুকান’ ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

৩। ‘‘অদুবু ঙসিদি / য়েকপা ঙমদরে মী অমদি শাগী খেন্নবা’’ ৱাহৈশিংসি অইবী কনানা হায়বনো?

৪। 'Iris of the Sky' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকপা হন্দোকলোয় অদু কনানো?

৫। ‘ঈশৈ অমতং নঙমুক ফজবা’ ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# এসেমব্লি মীখলঃ ইকনমিক ব্লোকেদনা মীখলদা কান্নবা পীবা ঙমগদ্রা?

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

*হৌজিক* মণিপুরদা হংনরিবা ৱাহংগী পাউখুম চপ-চপ চানা পীবা মতম ওইরে। করিগুম্বা মফম মতম চানা ৱাহংগী পাউখুম পীহৌদবা তারবদি ৱাথোক অমা লোইশিনবদা মতম থেংথৈ অমদি মানা মানা হায়বদু, তৌবদু চুপ্লবোইনীংনৈ। থা অনীগা নুমিৎ ১২ নি লেপ্তুনা নেসনল হায়ৱেদা তৌরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টতা তৌবনি, মণিপুরগী মীয়ামদা অতম্না তৌবা নত্তে হায়রি য়ু এন সীনা। অদুনা মীয়াম্না মখোয়দা ৱারৌবিদনবা হায়রি। মসিগী চপ চাবা পাউখুম করম্না পীগনি। পীফম থোক্তবরা? পীরবদি কনানা পীগদবা? পাউখুম পীবা তারবদি মীয়াম অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীবা তাবনি মরমদি মীয়াম অৱাবা নংনবা ব্লোকেদ তৌবা নত্তে মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থৌওং য়ানিংদদুনা তৌবনি হায়রিবনিনা। মসিগী পাউখুম মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চপ চানা পীবা লৈত্রি। অদুবু শুপচিন্না নাকোইননদি পীখ্রে য়ু এন সীদা। মীয়াম্নসু নাকোয়ননা মসিগী পাউখুম পীখ্রে। মখোয়না তাবা তাদবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি।

য়ু এন সীনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা তৌহন্নিংবা অনিংবা অপাম্বা কয়া ফোঙদোক্তুনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবদা দেমোক্রেসিনি অকায়বা লৈতে অদুবু দেমোক্রেসিনি হায়দুনসু তৌনিংবা থবক নৎত্রগা খোঙজং খুদিংমক তৌবা য়াবদি নত্তে। ফরে দেমোক্রেসিনি অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোক্লিবনি হায়দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মথক্তা নেসনল হায়ৱেদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌ কায়দে। অদুবু মীয়ামদদি মদুগী অৱাবা চৈথেং অদু ফংহনবা য়ারোই। করিগুম্বা অৱাবা চৈথেং ফংহল্লবদি য়ু এন সীগী থৌওং অসি অরানবা অমদি লৈরে করিনা হায়ববু ব্লোকেদ অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মথক্তা তৌবনি হায়রিবনিনা মদুগী অৱাবা চৈথেংদু মণিপুর গভর্ণমেন্টখক্তনা ফংজগদবনি। অদুবু ঙসিদি মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না অৱাবা চৈথেং খম থেংনা ফংলে। করিগী ফংফম থোকপগে মীয়াম্না? মরমদি মীয়ামদি মণিপুর গভর্ণমেন্টসু নত্তে। মীয়ামদি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর, এম এল এ, অচৌবা ফম্নাইবশিংসু নত্তে। মখোয়দি লৈবাক ঙাকপা লৈঙাকপশিংসু নত্তে অদুগা লৈবাক্কী থৌরম থৌশিল য়াৎপদা য়াওবসু নত্তে। মদুগীসু মথক্তা মীয়ামদি য়ু এন সীগা য়ানচে ইনবদা য়াওবসু লৈখিদে। জিরিবাম অমদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়াই/য়ারোই হায়বগী মতাংদা। দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা অমদি শেমদবগী মতাংদা করিগুম্বা শক্লোন অমত্তসু য়াওদবা মীয়ামদা ব্লোকেদকী অৱাবা ফংলিবসি চুল্লিবরা? মসিদা মীয়ামগী মরাল করিনো? দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা মীয়াম্না তৌখিবরা নৎত্রগা মসিবু মীয়াম্না ঙম্বা থবক্লা? মথক মখা ওনখৎলগা য়ু এন সীদা হংবা য়াই হায়বদি নখোয়সু করিসু ঙমদে মণিপুরগী য়াল্লবা মীচম মখোয়গুম্না। করিগুম্বা ঙল্লবদি হায়বদি গভর্ণমেন্টগুম্না লৈঙাকপা ওইরবদি। লাউথোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসি চৎনহন্দ্রে হায়না ককথৎলুদনা নখোয়সু। করিসু ঙমদবা মায়কৈ অনী অৱাবা ফংননবা করিগী হোৎনরিবনো? ব্লোকেদ তৌরগা মীয়াম খমথেংনা ৱাহনবা অদুগা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টতা তায়নবা অদুদগী গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অৱাবা য়েংবা ঙমদদুনা অমদি মায়কৈ কয়াদগী পীরকপা মীচৈ কয়ানা খাংবা ঙমদ্রদুনা গভর্রমেন্ট অসি মশাগী ৱারেপ হন্দোকচখিনি হায়না চঙশিনবা খোঙজংশিংদুদি মায় পাক্লোই। মদুদি মীচম কয়াগী থৱায় লৌরগা অঙম্বা শক্লে, নিংথৌ ওইগে খনবনি। মদুদি ওইগে হায়রবদি লমদম অমগী মীয়াম্না য়াবা হায়বা অমা চঙলি। মদুদি ওইদ্রে ব্লোকেদ তৌদুনা মীয়াম য়াম্না ৱাহল্লবনিনা। থৌওং অসিদি যিশু খৃষ্টমক্লা ‘শৈতান’ গী থবকনি হায়দুনা অয়াবা পীরক্লোই।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লাইনীং লম্বী ওইখিবা খৃষ্টান অসি পোলিটিক্সকা খূৎশম্নবরা? লাইনীং অসিদি পোলিটিক্সকা হায়বদি করিগুম্বা লৈবাক অমগী লৈঙাক্লোনগা মরী লৈনবা থবক অমত্তদা য়াওদে অদুগা খূৎশু থিংজিনদে। লাইনীং লম্বীগী ওইবা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক্তা লৈরবা কাঙলুপ অমনি। খৃষ্টানগী মকোক লুচিংপুরেল পোপনা লৈবাক অমগী নৎত্রগা কাঙলুপ অমগী মায়কৈদা তোঙলগা ৱারেপ অমত্তা লৌবসু লৈতে অদুগা ৱা ঙাঙবসু লৈতে। অদুগা মণিপুরদনা খৃষ্টান চৎলিবা য়ু এন সীনা মখোয়গী ওইবা ৱাফম কয়াদা চর্চতা লাইশোন তিনশোন পাঙথোকপসি লাইনীং লম্বীবু পোলিটিক্সতা পুশিনবসি মাংদা চঙশিনগদবা লম্বী লম্মাংনরকপগী খুদম অমনি। হন্দক্তসু ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা শিংথানিংঙাই ওইরবা ৱায়েল অমা পীখিবদুনি মদুদি পোলিটিক্সতা লাইনীং লম্বী পুশিল্লকপা য়ারোই হায়বসিনি। অমরোমদা মখোয়গী খোঙজং অসি পোলিটিক্সকা লাইনীং লম্বীগা পূন্না চৎমিন্নরবনিনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা তাখিবা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মদুগীসু মথক্তা লমদমসিদা লৈরিবা খৃষ্টান চৎচরিবা মীওইশিংগী মরক্তসু চরক-চহিং নাইবা ফীভম অমদা লৈহল্লে। মদুগীসু মথক্তা কাঙলুপ মশেল/ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবগী অমদি হন্না য়েংননিংদবগী চাউরবা চেকপল অমা খাগৎলকপদৌনা তৌরে। মসিগী মরমদি মণিপুরদা খৃষ্টান লাইনীং চৎলিবা ফুরুপসি য়াম্না য়ামখ্রে। নাগা ফুরুপখক্তনা লাইনীং অসি চৎপা নত্তে। মীতৈ য়াওনা য়ামখ্রবা ফুরুপ কয়ানা খৃষ্টান লাইনীং অসি চৎলিবনি। মদুগীসু মথক্তা চর্চ অমখক্তদা হায়রিবা ফুরুপশিং অসিগী মীওইশিং অসি নোংমাইজিং খুদিংগী লাই খুরুমমিন্নরি। অদুগা শেংলবা লাইশঙ অসিদা ফুরুপ অমখক্কী অনিংবা অপাম্বগী ৱাখল্লোন শন্দোক্তুনা লাইশোন থৌরম পাঙথোক্লবদি অতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনা মথ্বায় নুংঙাইবা হৌনদে। মদু ওইরবদি চর্চ হায়বসি লায়রা-ইনাকখুনবা, অচৌ-মচা, লোল, চৎনবী খায়দবা শেংলবা মফমনি হায়নরিবসি করম্না চুমগনি। অশেংবা মফম্দু করিগুম্বা খরা তৌশিন্দুনা মাঙথোকপা হায়বদু ওইগনি খল্লি। লাইনীং লম্বীগী শেংলবা লাইশঙ হায়বসিদি ফুরুপ খুদিংমকপু তরাম্না ওক্লিবা মফম অমনি। খৃষ্টান চৎচরিবা মান্নদবা ফুরুপ কয়াগী মরক্তসু শেরান্নবা ৱাখল পোকহন্দুনা মচোয় মচোয় তাহল্লে। ফীভম্না য়াদদুনা খৃষ্টান কয়াসু মাগী মাগী ফুরুপকী ওইবা ৱাখল নমদুনা খলহনবা হৌরক্তবা নত্তে। মসিগী থৌওং অসিনা মণিপুরদা কাঙলুপ/ফুরুপ কয়াগী অপূনবা শক্তম অদুদা চাউনা মফম কয়া থোক্লা চেখায়বা হৌরকই। মসিমক ওইরক্লবা শিল্লিবা হায়না খন্দবা ঙল্লক্তে। খন্দবসু ঙল্লক্তবনি মায়কৈ কয়াদগী তপ্না তপ্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং কয়াসি উরুবদগী।

লাউথোকখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অমুক হন্না ককথৎলরোই হায়বসু খঙলে য়ু এন সীনা। অদুগা অমুকসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা লাউথোকখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অদু ককথৎলু হায়দুনা য়াথং তাউথরক্কদবসু লৈত্রে হায়বসিমসু য়ু এন সীনা মুন্না খঙলবফাওবদা য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্ত্রিবা করিগীনো? খন্নবা য়াবা ৱাফম অমা ওইরে হৌজিক্তি। মীয়াম্না হায়নৈ মখোয় ব্লোকেদ হন্দোকপা ইকায়রে। হৌজিক মখোয় ইকায়বদগী কং কোৎতুনা লৈরে। মখোয় মায়থীরে হায়বসি মীয়ামদা হায়নিংদ্রে, উৎনিংদ্রে। মীয়াম্নসু হায়বা তাবনি মখোয়গী দিমান্দসু ফংদনা ব্লোকেদ হন্দোকখ্রবনিনা মখোয়না চাউনা মায়থীরে অমদি মতুংদা মায় পাক্লোই হায়বা পাড়া অমসু তমজখ্রে হায়না। মদুসু চুম্মী। মদুননি ব্লোকেদকী মতাংদা করিগুম্বা ৱারোইশিন অমা লাক্লনবা য়ু এন সীনা সেন্তরগী থোং তোয়না থিল্লুরিবা। মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা পূন্নমকসু লৈঙাক্লোনগী পরম অমদা য়েংলগা লোয়না পীবসু য়াদবনিনা তুমিন্না লৈখি। ইকায় খাংদগী কং কোৎখিবা অদু মতেক অমদি য়াম্না চুমখি অমদি য়াম্না চুনখি। জগোয়গা পুঙগা য়াম্না চানখি। অদুবু ঙসিদি মদু চানদ্রে। মসিদা অহোংবা খরা লাক্লে। মণিপুরদা মথংগী এসেমব্লিগী মীখল তৌনবগী নুমিৎ লেপখ্রে। চীংগী লমদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টখক নত্তনা চীংগী অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদদি লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস পার্টিগী ঈহৌগী মপাঙ্গল য়াম্না শোন্থরে। কোংগ্রেসকী এম এল এ খরসু কোংগ্রেস থাদোক্তুনা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওনখ্রে। মীখলগী ঈহৌ শাগৎপা ঙমদ্রি। কোংগ্রেসকী এম এল এ (চীংগী) অমদি পার্টিগী লুচিংবা কয়া মশা মশাগী খুলদা নৎত্রগা কেন্দ্রদা হকথেংননা চৎতুনা ভোট খোম্বা ঙমদনা ইম্ফালদা লৈনরি। বি জে পিগীসু চীংগী লমদা য়াম্না পাঙ্গল লৈনা ভোটকী থৌরাং তৌবা ঙমদ্রি। অদুবু বি জে পিগীদি খরা খরদি মীফম্নচিংবা পাঙথোকপা থেংনরি। অদুবু মসি মীয়াম্নদি হায়বা য়াই মীখলগী মতম খরা ৱাৎনা লৈরিবনা ওইবসু য়াই হায়না।

দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ লাউথোকখিবসিনা নাগা ফুরুপশিংগী মীয়ামদা পেন্নদবা অমা মণিপুর গভর্রমেন্টতা লৈরবরা? পেন্নদ্রিবসি তোখায়বা নাগাশিংতগী ওইবা লমদম অমা শেমগদবনি হায়দুনা লাউরিবা য়ু এন সীখক্তরা? মীচম মীয়ামদি অদুক হাক্লা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেন্লকপসিদা পেন্দবা লৈতবরা হায়বনচিংবসি কুপ্পা য়েংবা য়াই। অদুবু মসিগী খুদোংচাবা হায়বদি নাগাগী লমদা (মীওই খরনা হায়বনি) নাগাগী ৱা তাদনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেম্নগী ৱাফম অসি হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদা মখোয়না এজেন্দা অমা ওইনা পুথোক্লকপা য়াই। মদু এন পি এফনা মীখলগী এজেন্দা ওইরকপা য়াই। য়ু এন সী অমদি নাগাগী অতৈ লূপশিংনা লোম্না থুপ্না মনিংদা লৈগদৌরিবনি। মদুগী এজেন্দা অদু নাগা মীয়াম্না কদায়ফাওবা লুম্না লৌবা নৎত্রগা লৌদবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। অদুবু মখোয় হোৎনবদি হোৎনরক্কনি। পান্দম ফংলরোই খঙলবসু ব্লোকেদতি তোক্তে। মসি নাগা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লিবনি নাগা মীয়ামগী হক্কীদমক মখোয় লেপ্লি হায়দুনা এসেমব্লি মীখল ময়াসিদা। ব্লোকেদ তোক্লুরবদি নাগা মীয়াম্না মখোয়গী থৌওং অসি লায়না লৌখিগনি অমদি ফাগী ওইনা খনখি। মসিগীসু মথক্তা মখোয়গা নাগা মীয়ামগা মরী লাপথোক্লখিবা য়ারিবনি। মদু তৌদনবা হায়দুনা ব্লোকেদ তৌফম থোক্ত্রবা মতমসিফাওবদা ব্লোকেদ চথদুনা লৈনা লৈনা মদুগী মথক্তা গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিং থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবনি। মসি মীখলগী ওইবা মিৎয়েং অমনি দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী ৱারৌবগী মরুমদুদা। মদুগী চপ চাবা পাউখুম গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না মতম চানা পীফম থোকই হায়বসি কাউরোইদবনি।

# কেন্দিদেটশিং ক্বালিফাইদ ওইহনবা মথৌ তাই

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

*মণিপুরদা* হৌজিক ইলেক্সন লেপ্লিংলিবা অমসুং ইলেক্সনগী কেন্দিদেট অমমম ওইনীংলিবা মীওইশিংসি মতিক চানা ক্বালিফাইদ ওইরবা মীওইশিংলা হায়বসি ভোট্টর ওইরিবা মীচমশিংনা চপ চানা খন্নফম থোকই। হীরমসিগী মতাংদা মণিপুরগী পাউচেশিংগী কলম কয়ামরুমদা অমদি আই এস টি ভি, ইম্পেক্ট টি ভিনচিংবগী মিদিয়া দিস্কসনশিংদা কয়ারক হন্না কূপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। লুরিবদি হৌজিক, মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা করম-করম্বা মীওইশিংবু মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলগা, খ্বাইদগী হেন্না ফবা লৈঙাকপশিং ওইরক্কদগে অমসুং কনা-কনাবুনা এম এল এগী ফমদা কাঞ্জথাং তারগা তোক্কদগে হায়বসি মুন্না খন্থরগা ভোট পীবগী হৈনবী লমদমসিদা লৈত্রি। ৱাখল্লোনসি হৌজিক ফাওবদি মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংদা ফাওনদ্রি। থৌদৌসি মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা ইলেক্সনগীদমক মতিক চাবা কেন্দিদেট খনবা হৈনদ্রিবগী খুদমনি। হীরমসিদা ঐখোয় খরদংদা ওইরবসু মমুৎ তানা নৈনহৌবা ফৈ। মীরেপ-মীখলগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা তঙাইফদনা খঙজীনমিন্নদবা য়াদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি।

মমাঙঙৈগী মতমগা হৌজিক্কী মতমগা অসুক্কী মতিক খেন্নরে। হৌজিক্তি এসেমব্লিগী মীহুৎ হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুর এসেমব্লি সিখক্তগী ওইনা খন্নগদবা মতমদু নৎত্রে। মণিপুর এসেমব্লিদা মণিপুরগী লেভেলদা ঙাঙন-শক্লরিবা খরা অমদি খন্ন-নৈনরিবা খরখকসিনা এম এল এ অমনা তৌগদবা মথৌশিংদু চপ-চানা লোয়বা নৎত্রি। লৈঙাক্লোন হায়বসিসু তুরেলগী লৈঙোইশিংদগীসু হেন্না কুপ্লিবনি। লৈঙাক্লোন মুন্না খঙগদবা, মরৈবাকপু নুংশিবা খঙবা মীওইখক্তদা ঐখোয় ইশাগী হক শীন্নফম থোকই। লৈপাক্কীসু, ইশাগীসু (তশেংনমক্তি লৈপাক্কী হায়বসিদা ইশাগীসু য়াওরবনি) অনীমক্কী পূন্না খল্লগা খ্বাইদগী মতিক চাবা কেন্দিদেট খনবা ঐখোয় তঙাইফদনা হৈফম থোকই। মসি ভোট্টর ওইরিবা ঐখোয়গী ইথৌনি। পুকচেল শেংনা অমসুং কাঙলোন চুম্না অশেংবা কেন্দিদেট খঞ্জনবগী তাঞ্জাশিংবু ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা, কনাগুম্বা খরগী শেনফম খরদা মিকানদুনা মন্তিক্লহনবা খক য়ারোইদবনি। মদুনা হেক-হেক, লৈবা য়াহনবগী থৌদৌসি তশেংনমক চৎনহল্লোইদবনি। অসুম্না, ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা চথরক্লিবা মীরেপ-মীখলশিংসি লানহন্দুনতা লাক্লি। ঙসিসু ঐখোয় মমাঙদা হৌখ্রবা ইলেক্সনশিংদুগুম, লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিসু অমুক হন্না লানহনফম থোক্লিবরা? ইলেক্সনগীদমক মতিক চারবা কেন্দিদেট হায়বদু কদায়বু কৌরিবনো অমসুং কাখ্রবা মতুংদা এম এল এ অমনা করম-করম্বা থবকশিংবু লৈপাক-মীয়ামগীদমক য়াইফনবা তৌরক্কদৌরিবনো হায়বসি ঐখোয় ময়েক শেংনা খন্থহৌফম থোকই। মদুনা পূন্নমক্কী হীরম খুদিংমক্তা য়াইফবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। ফীভমশিংসি খলহৌদনা ঐখোয় হন্দক্কী ২০১৭ কী ইলেক্সনসি অদুম্মক য়ৌহল্লদ্রা? অখঙ অহৈশিং লৈরি, লৈপাক-মীয়ামশিং পাল্লি, মাঙজৌননা ঐখোয় মমুৎ তানা অমুক্তং খঙনবা হোৎনমিন্নহৌবদি চুমগনি।

মরিপুরগী লেভেলদা, মণিপুর এসেমব্লি খক্কী মওং-মতৌশিং খরা লাংকক-লাংকক খঙলগা অমদি মতা চানরুদুনা হুরান-লোন্নাদা শেঞ্জাউশিং খরা তানশিল্লুরগা, লৈপাক মীয়ামগীদমক থৌগল তৌরুরনি হায়দুনা হেক্তা চোঙথোক্লক্লিবসি লানগনি। চাওখৎলোন অমদি মীয়ামগী য়াইফরোল নৈনগনি কাউখ্রবা লমদমসিদা, ওইনীংবা মীওই অমনা হেক্তা এম এল এ ওইহনবগী চৎনবীসি অসুক্কী মতিক তাইওন্নরক্লনি। মতমসিদা মদু চৎনররোই। থৌদৌসি ভোট্টর ঐখোয়গী ইরাল ওইগদৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমদা এম এল এ অমনা, মণিপুরগী লেভেলদা খক্তা নত্তনা, ইন্দিয়াগী কোনুং দিল্লি অমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা, লোয়ননা মালেমগী ওইবা লৈপাকশিংগী লৈঙাক্লোন অমদি চাওখৎলোনশিংগী মরমদা ফাওবা মুন্না খঙ-হৈরবা মীশক অমা ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা মশাগী ক্বালিফিকেসন চপ-চানা চেনগদবনি। মতমসিগী এম এল এ খুদিংমক চাওখৎলোনগী মরম নৈনবদা অমদি লৈপাক ঙাক্লোনগী ৱারম খন্নবদা, চপ-চানা থৌদাং য়াবা ঙম্বা মীওইশিং ওইগদবনি। অদুগা অমুকসু হৈথোই-শিংথাইবা অমদি এক্সপরিএন্স মথৌ তারিবনি। মরমশিংসিনা হৌজিক্কালদদি, এম এল এ অমা হায়বসি মশাগী ইমুংখক্তদা হৈথোই-শিংথোইরগা অমদি মশানা মশাবু মতিক চারে খক লৌজরগা হেক্তা ওইহনবা য়াবা নত্তে। নমদুনা ওইখিবা থোক্লবসু, মহাক্তুনা মরন্নাই হুরান-লোন্না তৌবা অমদি লৈপাক-মীয়াম্বু লান্না লমজিংলগা তোকপা নত্তনা অতৈ কান্নবা হীরমশিংদদি মঙোন্দগী তোঙজবা খক ফংগনি হায়বসি থাজবা লানগনি। মরম অসিনা, মথক্তা পনগ্রিবা এম এল এ অমগী মতিকশিংসি তঙাইফদনা মণিপুরদা ইলেক্সন লেপকে চোঙথোকপীরক্লিবা মীওইশিংনা খনবীবা তাই। মতিকশিংসি চেন্দ্রবদি চাওখৎ-খোঙজেলসিদা মীয়াম্না এম এল এ অমদগী এস্পেক তৌরিবা, ফংনীংলিবা পোৎশকশিং ফংবা খক ওইথোক্লোই। ফংবগী মহুত্তা অহোয়নদুম, অরেম্বদা চন্নদনা মণিপুরদা, কনষ্টিট্যুয়েন্সি কয়ামুক্তা এম এল এশিং লেম্না তাদুনা লৈরিবসিদা মাবুসু মশীং থীবদা য়াওরক্কনি।

মতমসিগী ওইবা অহোংবা কয়ানা খুজিং ওইরবা মেটেরিএলিষ্টিক ৱর্ল্ডসিদা এম এল এ অমনা, মশাগী মরন্নাই ৱাখলশিং পুথোক্তুনা মরমদম অমদি মরমদমগী মীয়ামশিংবু চাওখৎলোনগী লম্বীদা লমজিংবীবগী থবক খুমাং চাউশিন্না চঙশিন্নরি। হীরমসিদা ঐখোয়গী এম এল এশিং হৌজিক করি তৌরি? তৌবা-তৌদবগী ৱাফমসু তোক্লসি, ঐখোয়গী এম এল এশিং হৌজিক্কী মতমদা করি করি তৌনিরবগে? মীয়াম্না হেন্না ময়েক শেংনা উবীরবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী এম এল এশিং/মিনিষ্টরশিং হৌজিক্কী মতমদা ঠিকা তৌরি, শেল তাল্লি, লৈঙাক্কী লোইশঙশিংগী থৌমীশিং মরম চাদনা ত্রান্সফর তৌথোক-তৌশিন তৌরি লোয়ননা, মাগী-মাগী মতমশিংদা মখূৎ থাদুনা য়ারিবা মখৈ লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা চানবা থবকশিং হাপচিল্লম্নবা হোৎনরি। সি মঙাই। অদুবু, ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী পুৱারীদা এম এল এ/মিনিষ্টর অমত্তনা মণিপুরগী লৈত-লায়রবনা পৎ তৎলবা মীচম-মীয়ামশিংবু হিংননবগী লম্বী অমদা লেম্না লমজীংবীরম্মী হায়বসিদি তাখিবা খক লৈত্রি। অসিগুম্বা মমাঙদা ওইখিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা থম্বীরম্বা খুভমশিংসিতবু মীহৌবদগী ঙসিগী শেল্লেম পায়বা মীওইশিংসিনা লমদমসিদা মীরেপশিং ওইনীংলক্লিবনি। তশেংনা লৈপাক্কী থৌদাং লৌগে, মীয়ামগী থৌগল তৌগে খনবা মীরেপশিংদি থিজিল্লুবদা য়াওরমগনি থাজদে। ফীভমসিদা করম্বা কেন্দিদেটশিংগী মতুংনো ঐখোয়না ইন্নিংলুগদৌরিবসে? মতমগা চুনবা মওংদা মণিপুরবু চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইরকহন্নবা হোৎনবদা, য়ামদ্রবদা মাঙজিন থানা লুচিংবা ঙম্বা অমসুং মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা মীওইশিং খরা মণিপুরগীদমক এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইনা মথৌ তারি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খন্থমিন্নফম থোকই। লৈপাক অমবু অহোংবা পুরক্কদৌবা অমসুং লৈপাকসিবু চাওখৎপগী থাক মতোন লোম্না চীংখৎপীগদৌবা লমদমসিগী লুচিংবশিং, হৌজিক ইরৈকায়-ইরৈকায়শিংদা উরিবা ইলেক্সনগীদমক চোঙথোক্লরক্লিবা ইরমদমগী শেঞ্জাউ পায়বশিংসিগী মরক্তগী শোয়দনা ওইগদৌরিবনি খল্লুবদা নিংদোন পোমদবা, পূক্নিং নুংশিবা ফাওরক্তবা ঙমদ্রি।

তঙাইফদ্রবদি লাইনা তম্লম্বা অমসু লৈরমগনি, ৱাফম সোমদা খন্দোকপা নত্তনা হৌজিক করি পাম্বে লৈরি। শেম্বীরিবা মপুবু খুরুমজবা হায়বদুনি, লৈপাক-মীয়ামগীদমক ইশাগীদমক, ঐখোয়না খঞ্জখিবশিংদু খরদংদা ওইরবসু নীংবা থুংহনবীরক্লবা। লমদমসিদা মীরেপ ওইনা চোঙথোক্লরক্লিবা কেন্দিদেটশিংসিনা ভোট কাখ্রবা মতুংদা, মখোয়গী হান্নগী হৈনবী পূন্নমক্তু থাদোক্লখিদুনা লৈপাক মীয়ামগীদমক কথোক্লবা লুচিংবা অমমম ওইরকপসু ওইসনু। এম এল এবু ওইখ্রবদি মশা-মশাগী কনষ্টিটুয়েন্সিশিংগীদমক খল্লগা অশেংবা লুচিংবা ওইরকপসু য়াই। ওইদ-ওইরকপসু ওইসনু। অচুম্বা অমসুং অফবা ৱাখল্লোন্না মাঙজিন থানরকপসু য়াই। লায়রবা মীচম-মীয়ামশিংগী মরুপ ওইরকপসু য়াই। পান্দম নাইনবু মীওইবনা করিগুম্বদা চপ য়ুংনবু হোৎনরবদি করিগীসু মহয় চাদনা তোক্কনি? শোয়দনমক্কীসু চাগনি। হন্দক্কী ২০১৭ কী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম পূন্নমকপু চাওখৎ-লম্বেলদা খোঙ থাংজিনবা ঙমহনবীবসু ওইসনু।

